# হোস্পিটাল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবা অমসুং এন: এ: মেম্বর

এন: এ: মেম্বর অয়াম্বনা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবা অসি মখোয়গী লন্নাইগী ফগৎলকপগী মরুওইবা শরুক অমনি হায়না লৌই। হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাদা থৰায় হকচাং য়াওনা শরুক য়ারিবা ঐখোয়গী মেম্বরশিং অসি ঐখোয়গী ফেল্লোশিপ অসিগী য়াম্না মরু ওইবা পান্বেশিংনি। হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাদা শরুক য়াবা হায়বসি এন: এ:গী সর্ভিস ষ্ট্রকচরদা শরুক য়ানবগী লম্বীশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং মসিনা ঐখোয়বু ফেল্লোশিপ অসিগী শরুক অমনি হায়না ফাওহনবদা মতেং ওই।

ঐখোয়না খঙই মদুদি অচংবা এদিকশন্দি কৈশুমশঙ, লায়েংশঙ অমসুং শিবা তন্না চৎলি। অদুগা এন: এ:গী অহানবা মথৌসু হৌজিক হৌজিক ৱাদুনা লৈরিবা এদিকশিংদা ফগৎলকপগী পাউজেল অসি পুবনি। এন: এ:গী ফগৎলকপগী পাউজেল অসি হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশনদা পুবা হায়বসি ঐখোয়গী হান্না তৌগদবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌবদা থোইনা ঙক্লিংঙাই ওইদে। মসিগী থাজবা অসি এন: এ: মেম্বরশিংনা মালেম শিনবা থুংনা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন কমিটি শেমদুনা চাং মান্ননা শৌগৎলি।

অদুম ওইনমক, অমুক্তা বন্দি ওইরক্তবা, অফা-অপুন নৈরক্তবা নৎত্রগা লায়েংশঙ য়ৌরক্তবা এন: এ: মেম্বর খরদি হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাদা শরুক য়াবদা চিংনবা ফাওখি। ঐখোয়গী লন্নাইগী হকথেংনরকপা অদু লোইনরবা অমসুং থৰায় য়াওনা শেম-শারবা, ঐখোয় খুদিংমক ঐখোয়গী পাউজেল অসি পুবদা খ্বাইদগী মতিক চারবনি।

মসিগী চেরোল অসিনা এন: এ: অমসুং হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাগী শন্নপ্পা ৱাহৌদোক্কা লোয়ননা মেম্বরশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা অমদি মশাবু তৌননবগী খুদোং-চাবদু ফংহনবনি।

## হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিং হায়রিবসি করিবুনো ?

হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিংগী মথৌদি এন: এ:গী চাং নায়না পাঙথোকপা মীটিংশিংদা মপুং ফানা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংদবা এদিকশিংদা ফগৎলকপগী পাউজেল অসি পুবনি। মতম শাংনা লায়েংবগী খুদোংচাবা লৈবা মফমশিংদা লৈরিবা মখোয়শিংদু নত্তনা, হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিংশিংসি এন: এ: প্রোগ্রামগী মরুওইবা থৌরম পরেংশিং অদু লৈরল্লিবা মখোয়শিং অদুদা পীননবা হোৎনবনি।

হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিংগী অশেংবা শক্তম অমা শেম্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী সর্ভিস ষ্ট্রকচর নৈনবা মরু ওই। হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিংসি সধারন ওইনা এরিয়া সর্ভিস কমিটিগী হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সব-কমিটিনা পীবা সেবানি। মীটিংশিংসি হোস্পিটল, ইন্সটিট্যুশন, কৈশুমশঙ অমসুং ইনখৎলকপা মীওইশিংগী লায়েংশঙশিংদা পাঙথোকই। এন: এ: কাঙলুপ নত্তবনিনা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিং মতম লৈবা খিবিক্তা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন, সব-কমিটি অমগী লীচিং মখাদা পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

## করম্না ঐহাক শরুক য়াগনি ?

এরিয়া হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সব-কমিটি অসি থৌরম য়াৎথোকপা অমদি শেমগৎ শাগৎপগী মপুং ওইবা মফমনি। মফমসিনি শরুক য়াবা হৌরকফম ! অহানবদা এরিয়া হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সব-কমিটি মীটিং য়াও অদুগা অনৌবা অমসুং থৰায় য়াওজবশিংগী ওইজবা ওরিয়েন্টেশন শরুক য়াও। অসিগুম্বা ওরিয়েন্টেশন মীটিংশিংনা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাগী ওইবা ঈ-পাউ অমসুং মথৌ তাবা সেবাগী মতম মেম্বরশিংদা খঙহনবদা মতেং পী। এদিকশিং লৈবা মফমশিংদা ঐখোয়গী পাউজেল পুবীনবা মেম্বরশিং, অসিগুম্বা মীটিংশিংদগী খল্লি। সধারন ওইনা, মথংদা, হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন মীটিং অমা অয়েংবা ভাবোক ওইনা য়াওনৈ। মতৌ অসুম্না মেম্বরশিংনা হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাগী তঙায় ফদবা লৌশিং তানশিনবা ঙম্মী অমসুং থাক অমদা শরুক য়াননবগীদমক ৱারেপ লৌই।

## করিগীদমক ঐহাক শরুক য়াগনি ?

হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবানা এদিকশিংদা তৌবীমল খঙবা উৎনবগী, দায়িত্ব মপুং ফাহন্নবগী অমসুং হনবীরক্কনি খন্দনা এন: এ:গী পাউজেল য়েন্নথোকপগী খুদোংচাবদু পী। মসি, ঐখোয় শেংনা-লৈবদা মতেং ওইনবা অফবা খুৎলায় অমসু ওই অমসুং ঐখোয়বু হন্না-হন্না লাকহল্লি। হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন পাউজেল অসি এন: এ:গী পাউজেলগা চপ মান্নে : ''মদুদি এদিক অমা, কনাগুম্বা এদিক অমনা দ্রগ শিজিন্নবা লেপ্পা, শিজিন্ননীংবগী অপাম্বদু মাঙহনবা অমসুং হিংনবগী অনৌবা লম্বী অমা ফংবা ঙমগনি''[১] । ঐখোয়না য়েন্নথোকচরিবা খুদোল অসি

## ১ বেসিক টেক্স লমায় ৬৫

এন: এ: প্রোগ্রামগী মতেংদগী ফংজবা অচংবা এদিকশন্দগী মনীং মখা তন্না অমদি আশানি। পাউজেল পুবা পামজবা কনাগুম্বা মেম্বর অমবু হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাদা শরুক য়াননবগীদমক পুক্লিং থৌগৎচরি। এন: এ:দা সেবা তৌনবগী লম্বী ময়াম অমা লৈখ্রে, অদুবু ঐখোয় অয়াম্বদি হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবা অসিনা ঐখোয়গী ফগৎলকপদা খ্বাইদগী য়াম্না মনা ফংবগী মওংনি হায়না লৌই। নহাকপু হোস্পিটল অমদি ইন্সটিট্যুশন সেবাদা শরুক য়ানবগীদমক চেরোল অসিনা পুক্লিং থৌগৎকনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌই অমসুং মনাশিংদু ইশানা হকথেংনবীয়ু !

Copyright © 1998 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service O ce
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service O ce–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service O ce–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service O ce–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-366-2 Manipuri 4/13
WSO Catalog Item No. MP-3120

**Narcotics Anonymous®**

**নার্কোতিক্স এনোনিমশ**

IP No. 20-MP

# হোস্পিটাল অমদি ইন্সটিটুৢশন সেবা অমসুং এন: এ: মেম্বর